# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 29-01-2026)

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী অহানবা কনভোকেসন, য়ুনিভরসিতি অসিগী চাঞ্চেল্লর অমসুং মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা সভাপতি ওইদ্না ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা য়ুনিভরসিতি অসিগী অন্দর গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট মহৈরোই ২৫০ দা কুমজা ২০২০ দগী ২০২৫ ফাওবগী ওইনা পীবা দিগ্রীশিং য়েন্থোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-পুন্সিগী তাঙ্কক খুদিংমক্তা মায় পাকবগীদমক অতেনবা লম্বী লৈতে। থকশি খাসি লৈনা খাঙবা কনবগা লোয়ননা কন্না হোৎনরবা খক্তদা মায় পাকপা পন্থুং য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। মহৈরোইশিং অমসুং ফেকলতিশিংনা থকশি খাশি ঙাকা পুন্না হোৎনমীন্নরবা মতমদা য়ুনিভরসিতি অমগী মিংচৎ হেনগৎহনবা ঙমগদৌরিবনি হায়রদুনা রাজ্যপালনা হায়-নেসনেল এদুকেসন পোলিসিগী মখাদা অফবা কোর্সশিং হাংদোক্তুনা মগুন লৈবা শিক্ষা, রিছার্স অমসুং ইনোভেসনগী লমদা জাতিগী থাক্তা কাখৎপা ঙম্বা য়ুনিভরসিতি অমা ওইনবা হোৎনগদবনি।

থৌরমদুদা মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান্দবাবু, আই.আই.টি. গুৱাহাতিগী দাইরেক্তর প্রোফেসার-দেবেন্দ্র জালিহাল অমসুং হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী কম্মিস্নার-নিংথৌজম জিওফ্রিনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ই.এম.এফ. রেদিএসন, ফেক্স এন্দ মিথস এন্দ সাইভর সেক্যুরিতি এন্দ সিটিজন সেন্ট্রিক সার্ভিসেস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা

মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-দিপার্টমেন্টশিংদা নুমিৎ খুদিংগী ওন লাইনদা থবক শুবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা সাইভর সেক্যুরিতিগী মতাংদা হেন্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। সাইভরগা মরী লৈননা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবগীদমক কম্যুনিতিগী থাক্তা ৱাখল তাহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকবসু মহাকা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসিএলশিংদা তকশিনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা সাইভর ক্রাইমগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিংগীদমক নেসনেল হেল্প লাইন নম্বর-১৯৩০ দা ফোন তৌননবা ৱাফমশিংসু ফোংদোকখি।

**জ়কো (এল)ঃ** নাগালেন্দগী কোহিমা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জ়কো তম্পাক্কী খা থংবা শরুক্তগী হৌরকপনি হায়না থাজনরিবা লাম্মৈ চাকপা অদু মখা তানা মনিপুরগী সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা জ়কো ভেল্লিগী শরুক অমা ওহরিবা মাউন্ট ইসোগী চীংশাংদা শন্দোরকপদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারপার্সনসু ওইরিবী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

এদভাইজরি অদুনা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা খুঞ্জাশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক খুলশিংগী চেয়ারমেন নৎত্রগা সেক্রেটরিশিংনা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। মফম অসিদা এদভেঞ্চরগা মরী লৈনবা থবকশিংগীদমক লাকপা মীওইশিংনা মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা থৌওংশিং চথুদনবসু এদভাইজরি অসিনা খঙহল্লি।

মাও কাউন্সিলনা জ়কোগী মাউন্ট ইসোদা লাম্মৈ চাক্লিবা অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। কাউন্সিল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-

মহৌশাগী ফজবা মফম অমসু ওইরিবা চীংগী শরুক অসিদা লাম্মৈ চাকখিবা অসিনা মফম অদুগী ফজবা মাঙহনবতা নত্তনা মমল য়াম্লবা মহৌশাগী খুদোলশিংদা অকায়বা কয়া থোকহনগনি।

**কোকোমি (এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা থা অসিগী ৩১ দা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা মনিপুর কনবা খোঙচৎপু মায়কৈ কয়াদগী লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি।

ইপসা, পান্দম, অকোমলুপ, ইপাক, কে.এস.এ, লোয়ালুপ, কংলামৈ, কিল্ড, সি.এল.কে, ই.আর.বি.ও, অক্সিল, অন্দোক, এম.আই.কে.এল. অমসুং এস.ডব্লিয়ু.এগী অপুন্নবা লুপ-সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাকনা কোকোমিগী মনিপুর কনবা খোঙচৎ অসি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় পুমমক্কী মাংদা তারিবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমদি মনিপুরবু কনবা হায়বসিনি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু কোকোমিগী মনিপুর কনবা খোঙচৎপু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

**কনক্লেপ (এল)ঃ** বিয়োন সাইলেন্স-ফার্ষ্ট মনিপুর দিজিটেল মেদিয়া কনক্লেপ-দিজিটেল জর্নেলিজম এৱার্ড-২০২৬ ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-অহন্থেম সুভাসনা হায়-মতম অমদা জর্নেলিজমগী থবক অসি মপুং ওইনা পাউ চে খক্তদা তৌনরম্বা অদু হৌজিক্তি দিজিটেল জর্নেলিজমগী অহোংবা লাক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা ই-পাউ শন্দোকপদা হেন্না লায়থোকহল্লে। দিজিটেল মেদিয়ানা মীয়মাগী ৱাখল্লোনবু

মায়কৈ অমদা লায়না পুবা ঙম্লক্লবা মতম অসিদা মীয়ামদা থুনা অচুম্বা পাউশিং দায়ত্ব লৈনা ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

মহাকা হায়-শেল পীরগা পাউ ফোংহনবগী চৎনবী লৈরক্লবা মতম অসিদা মীয়ামদা পীরিবা পাউশিংগী মগুন হন্থখিদনবা জর্নেলিষ্টশিংনা চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। পাউ থুনা পীনবা হোৎনবদা নীংথিনা য়েংশিলহৌবা ৱাৎপদগী ওইখিবা অরানবা পাউশিংনা মীওই অমগী ইজৎ শোকহনবতা নত্তনা পুন্সি ফাওবা মাঙহনবা য়াই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী জোইন্ট সেক্রেটরি-ঙাঙোম উতমনা হায়-হৌজিক্কী মতম অসিদা সোসিএল মেদিয়া অসি মীয়ামনা ই-পাউ ফংনবগী অরাইবা পান্বে অমা ওইনা শিজিন্নরক্লিবা অসি য়ামা খুদোংথিনিংঙাইনি। মসিদগী ফংবা অরানবা পাউশিংনা অচৌবা সমস্যা কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

থৌরম অদুদা মনিপুর অপদেটকী এদিটর অমসুং সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-সোভাপতি সামোম, সেনিয়ার এদিটর-ইরেংবম অরুন অমসুং অমজগী প্রসিদেন্ট-অসেম ভক্তানচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**গান্ধি (এল)ঃ** মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎ মার্তিয়র্স ডেগী থৌরম হয়েং ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি। অয়ুক্কী পুং ১০ দগী হৌগদবা থৌরম অসিদা ভজন শক্কনি। অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা অহৌবগী সাইরেন খোংগনি অমদি মিনিত অনি তুমিন্না লৈদুনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎক্কনি। লোইশিনবগী সাইরেন্না অয়ুক পুং ১১ মিনিত ২ দগী ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোংগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

লমফেলপাৎ য়াওনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা

সরকারগী ওফিসশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার হোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হয়েংগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবৈঙে মনুংদা জি.এম হোলগী অকোইবদা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** জে.ডব্লিয়ু. কন্সলটিং এন্দ সাভির্সেস ককচিংনা শিনদুনা এম.এস.এম.ই, ফসাই, এম.জি.ও. অমসুং ত্রেদ মার্ককী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী  থৌরম অমা ঙসি ককচিং নাউদম বজার কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** আই.সি.এ.আর. ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র-তমেংলোংগী ১৬ শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কমিতিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন মনিপুর সেন্টরগী হেদ-ডা: সি.ঐচ. বাসুদা দেবী য়াওনা কে.ভি.কেশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

**শৈরেং (এল)ঃ** মহিলা কাব্যমঞ্চ মনিপুরগী ২২ শুবা শৈরেং শিদিন্নবগী থৌরম ঙসি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইদা লৈবা দোসুয়ালি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী মনিপুর বিধান সভাগ অধ্যক্ষ-আই. হেমোচন্দ্র অমসুং মহিলা কাব্যমঞ্চ মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ক্ষেত্রিময়ুম সুবাদনিনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। শৈরেং শিদিন্নবগী থৌরম অসি নুপীশিংনা পুনশিন্দুনা নুপীশিংগী পাঙ্গল শক্তি হেনগৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা থা খুদিংগী পাঙথোকপনি হায়রি।

**নিরমালাঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি লোক সভাদা ইকোনোমিক সর্ভে-২০২৫-২৬ পুথোকখ্রে।

সর্ভে অসি শেল থুম মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা চীফ ইকোনোমিক এদভাইজরগী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপনি। সর্ভে অসিদা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী ফিভম অমসুং তুংদা ওইরকপা য়াবা ফিভমশিং নীংথিনা উৎলি।

কেন্দ্রগী ২০২৬-২৭ কী সধারন বজেদ মথং থাগী অমদা পুথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্কী বজেদ মীফম মথং থাগী ১৩ ফাওবা ফমগনি। অনিসুবা তাঙ্কবা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চথগনি। মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৩০ লৈগনি।

**বিতিংঃ** লৈবাক অসিগী ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম ঙসি ন্যু দিল্লিগী বিজয় চোক্তা বিতিং দা রিত্রিত থৌরম পাঙথোক্কুনা লোয়শিনখ্রে। ভারত লান্মী, নেভি, ইয়ার ফোর্স অমসুং সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্সকী নীংথিজরবা বেন্দ দিসপ্লেশিং উৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

থৌরম অদুদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ য়াওনা কেন্দ্রগী অতৈ মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

**মহারাস্ত্রঃ** মহারাষ্ট্রগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি অজিৎ পৱারনা তোংখিবা লিয়ার জেট ফোরটি ফাইব ইয়ারক্রাফটকী ব্লেক বোক্স, বরামাতি মনাক্তগী ফংলে।

সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-ব্লেক বোক্স অসি ফংলবনিনা ইয়ারক্রাফট অসি কমদৌনা কায়খিবনো হায়বগী লংলা লংজিল ফংবা ঙম্লগনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক ইয়ারক্রাফট এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরো-দিল্লি অমসুং দি.জি.সি.এ. মুম্বাই রিজনেল ওফিসকী মীওই অহুম-

অহুমনা শাবা ওফিসিএলশিংগী মীহুৎ কাংবু অমা থৌদোক থোকফমদা য়ৌদুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

মরক অসিদা, ঙরাংগী লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহারাষ্ট্রগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি অজিৎ পৱারগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারি অমদি এন.সি.পি-এস.পি লুচিংবা শরদ পৱার য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অজিৎ পৱারগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পুবা গাড়ি অদু মহাক্কী ময়ুমদগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকফম ওইরিবা বিদ্যা প্রতিস্থান ফাওবা চৎপগী লম্বীদা মীয়ামা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**য়ুপিঃ** উত্তর প্রদেসতা সেকেন্দরি অমসুং বেসিক এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ওজাশিং, নোন টিচিং ষ্টাফশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগীদমক কেসলেস মেদিকেল ত্রিটমেন্টকী থৌশিল উত্তর প্রদেস সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি যোগী অদিত্যনাথনা মমাং চহিগী ওজাগী নুমিৎতা থৌশিল অসি হৌদোকবা মাংজোননা লাডথোকখিবনি। থৌশিল অসিনা ওজা, নোন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী পুন্না মীওই লাখ ১৫ রোমদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

**পোলো ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথুরিবা ৭ শুবা ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ইন্দিয়া-টিম-বি (মণিপুর)না ইন্দিয়া জম্বীয়া পোলো টিমবু পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়া টিম (এ) আই.পি.এ. অমসুং সাউথ আফ্রিকা পোলো টিম পাঞ্জল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনদুনা ককচিংগী দি.এস.প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৯ শুবা দি.এস.এ. ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকনা অক্সা-ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এস.এফ.সি. সোরানা কে.এম.এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অমোফা মোইরাংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৬ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি মোইরাং মল্টি পরপজ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কুম্বী এফ.সিনা আর.ই.সি.সি. কৈনৌবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-সোসিএল দিবলপমেন্ট ক্লবনা মীলাল এফ.এবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** লমলোং থোংখোংগী আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথরিবা অন্দর নাইন্তিন ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এনা য়ুনাইটেদ পুখাউ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (অপসা) বু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোহখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা খুম্মন এফ.এবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর

ফাইনেল মেটচতা-নো লুক কৈখুনা কার-এলভেনবু রন-২২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-দিসত্রোয়র এলভেননা গেলেক্সিয়ান এলভেনবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।